## ৱারী মচা

# কোট অমসুং লৈই

*আই. বসন্ত*

থাগী ফংলক্লিবা তলব অসিগা ইমুংগী খরচ অসিগা অমুক্তা খল মান্নদে। থা খুদিংগী খরচলোমগী নাকন অসিনা লুমদুনতা লৈ। মসিনা ওইরমাল্লে। চাকতোন ফীদোন্দুনা অসুম লৈরম্লিবসি। অঙাংশিংগীদি খর মফৈ, তৌদবা য়াদবনিনা। য়ামদ্রবদা য়াওশঙ খুদিংগী ফুরিৎ অমগা খোঙগ্রাও অমগদি অসুম মরৈরে। অদুগা ঐগীদি য়ারি হায়দুনা হঙ্গাম মপানগী জর্সি অসি মশাগী হান্নগী মচু অদু কোকখিদুনা চোকোলেত মচু অমুক শঙলগা ফনা কুইনা লীৎলুরে। অদুগী মতুংদা অশংবা মচু অদুগা হৌজিক্না অমুবা মচুগী ওইনা শীজিন্নরি। শেগায়দে হায়বগী ৱানি, খুদাংগাসি ফনা ফজনা শাংবা হেন্তোরক্লে। অমরোমদা খল্লুরগদি পোৎ অমবু হাকথি থোক্না শীজিন্নবগী পাপ ফাওবা পুবা য়ারিবজাৎনি।

উচিন নাচিন্না হন্দক এরিয়ার মচা অমখক ফংখিবদু মীগী অতোনবা শিংদোকখ্রগা লুপা চহুম চামরিখক খুৎতা লেমহৌই। নোংমা নুমিদাং অমা চাক তোক্লগা ফুঙ্গা মপান্দা ইচা ময়ামগা মৈ য়াইদুনা ফম্মিন্নে। ঐনা হৌদোকই–

ঐগী পুন্সিসিদা কোট অমত্তা তুগে হায়না খল্লক্লিবসি তুবা ঙমগদৌবা মাল্লক্ত্রে? অদুমকপু হৌজিক খুৎতা লৈরিবা লুপা চহুম চামরি অসিনা করি তৌসিগে? জর্সি অমবুদি লৈবা কোন্নগনি অদুবু হান্না লীৎলিবা জর্সিসিগী খল্লুবদা অমুক হন্না লৈনিংদ্রে। করি তৌসিগে নখোয়সু মোৎ অমতংদি পীয়ুদনা।

মমাদি ঐগী ৱাহৈ দুদা মবুক্লিং নুংশিরুরমান্নে, কপকেবু তৌরকই। অপীকপা ইচাশিংসু, মোৎ পীরকই – ‘পাজি কোট অমা তুরগা’ লীৎলু, মীগী মপাদি মশা য়াম্না নাল্লি।’ মপা ওইবগী ফজহন্নিংদুনা হায়রিবনি, কোটকী মমল কয়ানো হায়বদুদি মখোয় খঙলল্লোই। ফিগী মমলদি থম্বু থমখ্রদুনা অতুমনদদা লুপা চাতরুক চাত্রেৎতি য়ৌরমগনি। নুপীনা মখা শমথরকই – ‘ডাক্তর মনিংগীদসু অদুগা কাংজৈবুংগী অৱাংগী অদুৱাইদসু ফজ–ফজবা সেকেন্দ হেন্দগী য়াম্না য়োল্লিদাইনে মমলসু হোঙই হায়, ঈশিং অশাবদা নোংমা চুপ্না ফুৎতোক্লগা মহিক মতাই লোইনা শিহল্লগা ফজনা ধোবীদা ইষ্ট্রি ত কহল্লবদি অদুম অহনবা মানগনি। গারী অমনবদসু রং তৌরগা অহনবা মাল্লিবসিদি।’

কোট লীৎনবগী আশা অমদি মরাক্লে। অহনবমক নত্ত্রবসু চৎনবা য়াবা অমদি খুৎতা লৈরিবা পৈশা অসিনা লৈবা মকোন্নরগনি। লৈবা খোৎপগী থবকসি মী অমা অনী চৎমীন্নরবদি খরা নীংথিনা খন্তোক খঞ্জিন তৌবা য়াগনি। অদুবু ঐনা লৈগদৌরিবা পোৎশক্তুদি অহনবমক নত্তবনিনা ইমান্নবা কনাসু য়াওহন্দনা ইথন্নতা নোংমা চৎলে। নুমিৎতু। কৃষ্ণ জন্মগী ছুটিনি। ছুটি নুমিৎনিনা ইমান্নবা কনাসু উনররোই খন্দুনা পূক্লিংদা নুংঙাইবা অমদি পোকই। বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড অসিদি মীনা হঙ্গৎ হন্দা চৎপনিনা মী উরোইদবা ডাক্তর মনীংগী অদোমদা চঙলে। মণিপুরসিবু সেকেন্দহেন্দগী পোৎসি ঙাক্তা লৈনবরা করিনো মফম অদুদসু মী অদুম ঈন্নে। ঐদি কনাসু খঙহন্দনা য়াম্না তুমিন্না সেকেন্দ হেন্দগী কোট অমা লৈরগা অহনবা শাদুনা লীৎচগদৌরিবনি অদুবু মী য়াম্না উনবদুদা হেক চঙবদা ইকায়দুনা ঙাইহাক কোয়চৎ চৎলে। ঐনা পামজবা মচু য়াওব্রা হায়দুনা হাইফেৎসু য়েংথোক্লে। তান চারুদুনা খরা হাংতক তৌবা দুকান অমদা কোট ঙাক্তা য়োল্লম্লে। ‘জাই থোংলেন’, হায়দুনা লাই খুরুম্লগা চঙলে, হংই,

– ইবুঙো সিদগী কোটশিং অসিবু মমল চপ মান্নবরা? কয়া কয়া পীবা জাৎনো?

– তাদা মখা থংবা অসিনা লুপা চামরি অদুগা অৱাংগী অসিনা চামরি য়াঙ্খে। সেকেন্দ ৫

হন্দনি হায়জবগী ৱানি খুৎতু লাত্তুংদি ফোরেনগী পোৎনিনা লীৎলগা অদুম খঙবীগনি।

ঐখোয় শ্বাইগী অহনবনি হায়দুনা তৌরিবা অসিনা ফংপোৎ নত্তে।

– ইবুঙো অসোমগী চামরি য়াংখৈগী গ্রুপ অসিগী অহুমশুবা কাংসুবি মচুদা খরা লাইট ওইবা অসিমতা য়েংজগে।

লীৎশিন্দুনা য়েংলে, মচুদুসু থৱায়না হেক পামজবা হায়দুমক থোক্লে। শেগায় তুগায় য়াওব্রা হায়দুনা শেৎ–ফাত্তুনা য়েংলে, য়াওদ্রে। মীনা হায়নবদি লুপা চনি য়াঙ্খোগা পীরবদি হাইফেৎ ফবা ফংলে হায় অদুবু মাগী মমলসিবু অদুক শোল্লিবা হায়বদুরা হায়না পূক্লিংদা খঞ্জানৈ। খরা তানবা হায়গে হায়দুনা হেক তৌবদা হন্দক্তা ঐখোয়গী ওফিসতা চঙলকপী এল দি সি দু লাকই অৱাংলোমদগী অদুগা, ‘তামো, করি থবক্কীনো ছুটি নুমিৎ অসিদা। থবক্কা লৈবীদ্রবদি বাটা ফাওবদা চৎমীন্নরুসি ঐগী খুনিং ফাদবী ফেনাৎ অমতা লৈগে তৌবনি। খন্দোক খঞ্জিন তৌগদবদু ইথন্তা ওইরবদি নুংঙাইররোই খন্দুনা লাকপনি, তামো থেংনবা ওন্থোক্না তান চারে।’

ওন্থোকপা লাইবক হায়বদুনি। লোল্লপ্পা, য়োল্লিবা অঙাংদুদা ইবুঙো ? লাকখিনি – হায়রম্লগা বাটারোমদা চৎলে। ঐনা খঞ্জরম্বা কোট অদু মীনা লৌরমগদ্রা হায়বসিগী ৱাখন্না মীকুপ অমম্না চহী অমা হৌখিবগুম মিহুন চেংঙ্গুম চেংগানৈ। খোঙউপ য়োনফমদুসু ওন্থোক্না চিল্লম্লে। অমা পুথোরকই য়েৎ হেক শোয়রম, অমা পুথোরকই ওয় হেক য়ারমদা মরি মঙারক হন্নে। কাংচেৎ মচুগী অমা খল্লে। লৈবা লোইরগসু চা থকখিসি হায়দুনা নমদুনা হোটেলদা চঙবদা মিনিট কুম্ভ্রামুক্তি হৌখ্রে।

ৱাখন্না মায়দা হুমাং মরিক কায়। চৎতি চৎখ্রে। নুংশাশ্বর অমুক্তং শাংনা হোন্তোক্লগা খোঙলৈ থুনা ডাক্তর মনিং তম্না চৎলে। পাউনা বজারগা বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোডকা শম্নফম অদু য়ৌবদা ঙাইরি, কৈশামপাৎলোমদা খংপ্রেক খংবা অহৌবা মখোল অমা পোকখায়খি। তাখিবগা মীৎ কুপহৌদে মরী মরী চেন্নবা হৌরকই। পাখৎনখিবদগী সাইকল নুংকল শরক্তা লোয়না হুন্তোক্নরমই। অদুদগীদি কদোম কদোমগীনো খঙহৌদে লেপ্পা লৈতনা নোংমৈ কাপ্নরকখি। মীশিং অদু অৱাংলোমদা অমুক চেল্লি, ঙাইহাক লৈরগা অৱাংলোমদগী মখারোমদা অমুক মরী মরী চেন্নে। মতম অদু ফাওবা নোংমৈ কাপ্পগী মখোলদি সুকলেপ লেপ্তে। ঐদি তাঞ্জা চারুদুনা আর কে বুক হাইসতা চেনশিল্লে। পুংখাই অমরোমগী মতুংদা নোংমৈ কাপ্পা লেপখ্রে। অহোবদা য়েংবদা পুলিস অমা অনী লম্বীদা চৎপা উরক্লে। ঙাইহাক লৈরগদি মথং মথং মী চৎনবা হৌরক্লে। মী চৎনবগী ৱানি দুকানদি অমত্তসু থোঙ হাংনদ্রে। দুকান হাংবদি লায়রদুনা চৎলিবা মীশিং অদু ফাওবা চেনবদৌনা চৎনরে। চেপথদুনা ডাক্তর মনীংলোমদা য়েংই, হয়িং ফাওবা পাইরমদ্রে।

ভোট কাহৌদবা নুপানা ভোট হায়দোকপা নুমিৎতা ময়ুমদা হল্লকপগা চপ মান্ননা ঐহাক য়ুম পাংলক্লে। নুপীমচা অদুমক থেংনরমদ্রবদি ঐহাক কোট অমদি নুমিৎতুদা লৈজরবনি অদুবু মহাক্কী চৎমীন্নবা কনাসু লৈজদবনিনা মদুসু চৎমীন্নবা তাবনি। কর্ফ্যু লাওথোকখিবগা লোয়ননা ফিভমদু ফৎচিল্লক্তদুনা নোংমা নিনি কৈথেল লেপখি।

কৈথেল থিংখিবনা মরম ওইদুনা খুল্লক ইরক্কী দুকান পোৎ লোইনা তাঙখৎলকখি। লুপা মঙা পীরম্বা থুম লুপা তরা য়ৌরকখি। চাদবদি য়াদবনিনা পোৎ লৈনবা খুৎতা লৈরিবা পৈশাদু খজিক খজিক ময়েং তারকখি। নোংমা নিনিদা কদাইদা চংখিবনো খঙহৌদনা তঙ্খাইমুক লোইশিনখি।

ঐগা কোর্টকগী মরক্তা করম্বা লৈইনা খল্লিগবা? তাঙলবা তাঞ্জা অমা ফংজদুনা লৈরগে হায়দুনা চৎলুরবফাওবা লৈবা ঙমখিদ্রবনি। হৌজিক্তি লৈবা ঙম্বগী পাঙ্গল অদু ঐগী লৈত্রে। চত্তবদি য়াদবনিনা বজার চৎপদা ডাক্তর মনীং হেক য়ৌবগা মীৎতগী পি তাগে তৌই, সেকেন্দ হেন্দগী কোন্টশিং উবদা। করম্বা মতমদা অমুক এরিয়ার ফংলক্কনি?

## তাবুনুংদগী

*(থাইনগী অঙাংশিংগী মশান্না ময়াম অমা লৈরম্মী। মখোয়দুগী মনুংদা ক্বাক ক্বাক, উচি চি চি, তোং তোং তোদ্রুম্বী, সেবোতি কাউনবনচিংবা পনবা য়াই। ক্বাক ক্বাক শান্নবদা অঙাং অমনা ক্বাক শারগা অতৈনা ফিজি পায়নদুনা লৈরগা ক্বাক অদুনা মপী শাবীগী মতুংদা খ্বাইদগী মনিংদা লৈবা মচা খোমদোনবী চাগদবগী কোই তান তান্নে। মশান্না অসিদা ক্বাক অমদি মপী অনীগী মরক্তা ঙাঙনবা ৱাহৈ শিং অদু তাবুনুংদগী লৌখৎতুনা থমজরি)*

### ক্বাক ক্বাক করি ক্বাকনো?

ক্বাক ক্বাক।  
করি ক্বাকনো?  
ময়াং ক্বাকনি।  
চাক চাখোম অমত্তা চাগে ?  
চাফদে।  
ঈশিং খুয়া অমত্তা থক্কে?  
থকফদে।  
মথক্তা চৎকে।  
চৎফদে, নপা সোরারেন লৈ।  
য়েৎলোমদা চৎকে ?  
চৎফদে।  
ওইরোমদা চৎকে?  
চৎফদে।  
নক্রাংদা লীৎকে ?  
লীৎফদে।  
ইচা খোমদোন মৈরৌবী লৈব্রা?  
লৈতে।  
নতুংদগীদু কনানো?  
ইচানি।

*সম্পাদক*  
*ডা. খুন্দোংবম গোকুলচন্দ্র*

## মণিপুরী পাম্থৈ –পাউরৌ, পাউতাক

**৪১৮ অশোংবদা শেল লৈবনি।**
– খুদোংথীবা মফমদা কান্নবা লৈবা।
– পৈশা তানবা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে।

**৪১৯ অশোয়বা য়েংবদি হৈ, লংলা লংজিন পুথোকপদি হৈতে।**
– মীগী অশোয়বদমক য়েংবা, মশানদি তৌবা ঙমদবা।
– চীনখক্তা ফবা খূৎতি য়াওদবা।

**৪২০ অশোয়বনা অশিংবগী পরানি।**
– অশোয়বা থেংনরিবমখৈ খঙবা হৈবা হেনগৎলি।

**৪২১ অহল মথীনা চফু মেল্লি।**
– অহল ৱানা অশোয়বা ঙাকপা, অহলগী ৱাদা হেক তারকপা।

**৪২২ অহলবু ওইরক্লবদি কাঙখথাঙ মওইরে।**
– চহী য়ামশিল্লক্লবদি ফজফম লৈরক্তে, পাঙ্গল থৌনা হন্থরকই।

**৪২৩ অহল লমনগী য়াথংদা হে তোংবা**
– ইথক থোংবশিংগী ৱা থওইদবা।

**৪২৪ অহল ওইরক্লে অহীংববু ইকাইয়ু।**
– মতম লৈরক্ত্রে হেন্না চেকশিল্লু।

**৪২৫ অহল লমন মনাক নক্তবা**
– থকসি খাসি খঙদবা, হৌন লোনচৎ খঙদ্রা মীবু হুনবগী ৱাঙাং।

**৪২৬ অঅহল লমন চেম্থবা থবক**
– মথোং চাদবা থবক।

**খোমজিনবা**  
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## লাইরিক্কী উন্নবা

**লাইরিক্কী মমিং ঃ অখন্নবা মণিপুরী ৱারেং (২০০৯)**  
**অইবাঃ নোংমাইথেম নীলমনি সিংহ**  
**ফোঙবাঃ সাহিত্য একাদেমি, নিউ দিল্লি**  
**মমলঃ লুপা ৩০০ /–**

সাহিতা একাদেমি, নিউ দিল্লিনা অহানবা ওইনা ফোঙবা ৱারেংগী লাইরিক ‘অখন্নবা মণিপুরী ৱারেং, হায়বসি নোংমাইথেম এন্দ পব্লিসিং ডিবিজন, রাইটরস ফোরম, ইম্ফালনা ময়েক শেমজিন–শাজিনবগী তবক তৌরগা ডি জি ওফসেট, ৯৬ % বন মহারানী ইন্দিরা দেবী রোদ, কলকটাদা ছাপা তৌরগা পুথোকপনি। লাইরিক অসিদা ৮০ হেঞ্জিল্লক্লবা মনিপুরী ৱারেংগী অখন্নবা মশক অমা মমি লাক্লবা হোৎনরি। লাইরিক অসিনা মণিপুরী ৱারেং সাহি গী থোসদোক্না মপূং ফারবা মশক অমদি পীবা ঙল্লে হায়বদা চীংননিঙাই করিসুলৈ। মণিপুরী ৱারেং সহিত্যগী মপূংফাবা মশক অমা শাগৎনবা হোৎনবা হায়বসি তরায়বা থবক অমদিনত্তে। অসিগুম্বা লূরবা হীরমসিদা মায়পুননা চঙশিনবিরক্লিবা লাইরিকসিগী মম্পাদফ নোংমাইথেম নীলমনিবু মণিপুরী ৱারেং সাহিত্যবু নুংশিবীবা পূন্নমক্না থাগৎনফম থোকই। লাইরিকসি কুনশুবা চহীচাগী হৌরকপা মতমগী ৱারেং ইবশিং অঙাংহল অমদি চাউবদগী হৌরগা হৌজিক–হৌজিকমক মণিপুরী সাহিত্য ৱারেং সাহিত্যদা কন্নমক খূৎ থারিবা ৱারেং ইবশিং নহাকপম অরুনা এস পি বিশ্রচান্দ ফাওবগী ৱারেং ইবা ৫০ গী ৱারেং অমমম হায়বদি পূন্না ৱারেং ৫০ য়াওরি। ৱারেং ইবা অমমমগীতা ওইনা ৱারেংশিংগী মনুংদগী হেন্না ফবা ৱারেং খনবা হায়বসিদসু অরুবা অমনি।

অইবশিং অসিনা ইরিবশিংসু হীরম অমদি মীৎয়েংদা মখল মথেলনি। মসিগী মথক্তা ৱারেং অসিসু ৱারেং (এসে) অমদি নৈনবা ৱারেং (লিটরেরী ক্রিটিসিজম) হায়না পৌনা মখল খাইদোকপা য়ারি। ৱারেংগী লাইরিক অসিদা চাউরাক্না মীরোল অহুমগী ৱরেং ইবশিংগী ৱারেংবু কোনশিল্লি। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা অয়াম্বা ৱারেং ইবশিং মশা–মশাগী ষ্টাইল অমমম লৈজরবা অমদি মশাগী খূৎই শাগৎনবা হাৎনরিবা অইবা ঙাক্তন। মণিপুরী সহিত্যদা ৱারেং ইবগী লমদা মগুন অমদি মশীংদা য়েংবদা ঙসি ফাওবদা মতুং ইনবিনবা লৈতবা ৱারেং ইবদি খ্বাইরাকপম চাউবনি। মহাক্কী ৱারেংশিংদা জাতিসিগী ইতিহাস, ভুগল, ঞ্জান–বিঞ্জান, মহৈ–মশীং, সহিত্য, রাজনীতি নচিংবা হীরম খুদিংমক্তা শোক্লমদবা লৈত্রবনি। ৱারেং ইবা মশীং ৫০ গী ৱারেং য়াওবা, লামায় ৪০০ রোম পানবা লাইরিকসিদা য়াওরিবা ৱারেং ইবা খুদিংমক্কী মমিং–মথা অমদি মখোয়না ইরম্বা ৱারেংগী মরমনৈনবদা খুদোং–চাদবনা মরুওইবা ৱারেং ইবা খরখক্কী মমিং পরেং অমা পীজরি–হিজম অঙাহল, খ্বাইরাকপম চাউবা সিনাম কৃষ্ণমোহন, অশাংবম মীনকেতন, চিংঙাখম পিশক, জিসি তোংব্রা, হৱাইবম নবদ্বীপচন্দ্র, রাজকুমারী বিনোদিনী, রাজকুমার সুরেন্দ্রজিৎ, লাইশ্রম সমরেন্দ্র, মনিস্না শর্ম্মা, এলাংবম নীলকান্ত, মাংথোই থাই মৈ, লৈমপোকপম দামোদর, নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন, চোংথাম মনিহার, নাওরেম খগেন্দ্র, এলাংবম দীনমনি, আই আর বাবু, নোংমাইথেম তোম্বী, কাংজম পদ্মাকুমার, নোংথোম্বম বীরেন, লোংজম জয়চন্দ্র, পোলেম নবচন্দ্র, অরাম্বম মেমচৌবী অমদি নহাকপম অরূনা অসিনচিংবনি লাইরিক অসি মণিপুরী ৱারেং ওইনা হায়ফেৎ মপূংফারবা লাইরিক অমনি হায়রবসু মতুং তারকপদদি এসে অমদি ক্রিটিসিজমগী শরূকশিংসি তোখায়না থম্বনা হেন্না মপূং ফাবা ওইগনি।

**আর জে মীতৈ**

## শৈরেং

### মীৎকুপসিদা

*– এম বোনোমালি*

চৎকে তাক্লমদনা নদোম তূমিন  
অহীং তাংলৌ অথেংবদা  
শুম্বিরম্মি ঐখোয়বুনা কাখুসিদা  
শরু পোলাংগী লৈমায়সিদা।  
খঙখিদে নঙনদি মৈচাকসে  
অহোইনদুম চূখৎলম্মি কাচিনথুং  
লানগী মৈরা পায়দুনা  
অনৌবা মালেমগী লানবুংসিদা।  
কপ্লি থম্মোয় শোক্না কনা’মা  
ঈখেং থকপা কাঙবুনা  
নোক্লি কনা’মা থমোয় মকা লান্না  
চৎখ্রগদি খন মালেমসিদগী লান।  
কৌরি খূৎলাম তোয়না  
প্রলয়গী অরোয়বা মীৎকুপ্তু  
নঙনা চৎলমদাই মীৎকুপফাও  
লৈহৌরনি মুৎনাইদনা ৱারীসে।  
থারি ঙসিসু অনৌবা খুনু কয়া  
নঙগী হাংল মালংসিদা  
লাউরি ঙসি মহৌশাগুম  
থেঙল অহীং নোংয়াইসিদা  
হেপি ন্যু ইয়ার।

### খোঞ্জেল

*– আনন্দ অকোইজম*

খোঞ্জেল!  
অথেংবা অহীংদুদা  
খোঞ্জেল অমা তাখি,  
অঙকপা খোঞ্জেলদুনা  
ঈথক নাইনা শনদোকখি  
চীংয়া তময়া ফাওনা।  
নিকখি,–  
মালেম পূম্বা  
অমম্বা অহীংদুদা।  
খোঞ্জেল!  
অকীবগী খোঞ্জেলনি–  
কদোমদবু ওইরগবা!  
করন্নবু থোক’গবা!  
মিপাইরে ঈমাদো,  
নোং ঙানগদবসু ৱাৎলি–  
কপ্নরকই, লাউনরকই,  
চৈনরকই, অহীংদুদা  
বোম পোকখায়রে  
বোম পোকখায়রে।

### ওন্না – তৈনবা

*– সাগাপম হেমন্তকুমার*

মীৎ পাঙলি’মখৈদি  
ফজবগী ফজবা ঙাক্তনি  
নুংশিবগী নুংশিবা মক্তনি উরিবা  
থাদোক্তুনা চৎচনীংদে  
অদুবু–  
মীৎ হেক উইশিনবদা  
ইমাঙদা থাংখাঙ নায়না চেম্থরকই  
মীওইবা সমাজগী লৈরোলনুংদগী  
ঈফুৎ ওইনা–  
পথ–পুমথরবা হাপু–হানাইশিংগী  
হিংশাগী  
নমথাক্কী  
অকীবগী অমদি তুকৎচবগী।

### লমহেল্লবী থৱাইনা করি হায়রিবা?

*– কে ইমো মৈতৈ*

লোইবা লৈতে মখোয়গী ডিমান্দ  
হৌরকফমসু লৈতে পোলোইসু খংদরি  
মীতোপ লাইনিংনা থুমহৎলবা থৱাইশিংনি  
মরোল তিন্নদে ময়েকসু লৈতরি  
ফীজেৎ চাকচৎ লোইনা খেন্নরবসু  
হায়জিল্লি সেভেরেন্ট কন্ট্রি ওইরকপনি  
থাজদুনা লৈরি ঙসিসু সরকারসু  
লোল ধর্ম্মা ফীজেৎ চাকচাশিং  
তিন্নদ্রবসু করম্বা সোভরেন্ট কন্ট্রিনো  
ফোংদোকপা ঙম্বা কনা য়াওরিবগে?  
লৌনিংবা লৌজখিসনু অচুম্বদি খংহন্সি।  
য়ারোই হায়বগী লম্বীশিং খংহন্সি  
মখোয়না হায়বা পূন্নমক অরান্বনি  
মখোয়গী হৌরকফম নিংথিনা তাক্ত্রিমখৈ  
লোইবা নাইয়রোই মখোয়গী ডিমান্দ  
অচুম্বা য়াদবা অরান্বদা ঙাওজবা  
য়াদুনতা লাকখি চুমথোকখিদে অরান্বশিং  
অরান্বশিংগী ডিমান্দ ঙসিসু তাল্লিদনা  
য়ারুরনু মখোয়না পাল্লিবা ডিমান্দা  
ফোংদোকহল্লু মখোয়গী অরান্বা হিষ্ট্রিশিং  
চুমথোকহৌরো মতাং চানা পূন্নমক  
খংহল্লো মখোয়না তৌরিবসি অরান্বনি।

### থমোয়

*– সোবীতা বাচস্পতি*

মরূপ,  
কুইনা লোইনর তুংসিদা  
নঙনা ঐবু থাদোক্লম্বসে  
ৱারৌদে ঐ।  
মরমদি!  
মরৌ থাংখ্রবা মীওইবদি হায়রুনু  
তুরেলগী ঈচেলদসু  
কল্লিদনা ঈচেল ঈহৌরকফমদদি  
অদুদগীদি!  
অসুম তপথরকই, অসুম তপথরকই,  
করিগুম্বদনা–  
চুপ হেক লুপখিবসু য়াওই  
ঈঙ্গিৎ অমত্তা হেক পীরমদনা  
ঈঙ্গিৎ অমত্তা হেক পীরমদনা।

### ৱাহং অমসুং পাউখুম

*– রনবীর হুইরেমচা*

ঐহাকপু ইকায়জখিবরা?  
নৎত্রগনা–  
মীৎ কুপ্তনা  
য়েংখিবগী  
ইমীৎ অসি চীকখিবরা!  
ঐ ইকায়খিদে,  
করিগীসু ইকায়জরুগনি  
শুক্ষৎলবী কয়াৎশিং উৎলিবী  
মখোয়নদি ইকায়জদ্রগা!  
ইমীৎ চীকখিবদুমদি–  
ঐ সাধু সন্যাস অমদি নত্তেদনা?